# এন এস য়ু আই মণিপুরনা 'হম বদলেঙ্গে' মীফম পাঙথোক্তুনা তুংলমচৎকীদমক ৱাফম কয়া খন্নখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
নেসনেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) মণিপুরনা শীন্দুনা লৈবাক অসিগী তুংলমচৎ শেন্নবা হোৎনবদা নহাশিংনা লৌগদবা থৌদাং অমদি মহৈরোইশিংগী খোল্লাও মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবা পান্দমদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভাবনদা 'হম বদলেঙ্গে'গী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী জেনরেল সেক্রেটরী এস জিতেন, লিগেল সেলগী চেয়রমেন এদভোকেট এস শ্যামচরন, এন এস য়ু আইগী ইন–চার্জসু ওইরিবা এম পি সি সিগী সেক্রেটরী পি বঙ্কিমচন্দ্র মৈতৈ, এম পি ৱাই সি সিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম অনন্দ, এন এস য়ু আই মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জয়সন খোহো, ভাইস প্রসিদেন্ট রাপানলুং কামৈ, এন এস য়ু আই মণিপুরগী ইনচার্জসু ওইরিবা নেসনেল সেক্রেটরী মোসিন খাননচিংবশিংনা মীফম অদুদা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কোংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী মহৈরোইশিংগী হক কন্নবা হোৎনবদা এন এস য়ু আইনা লৌগদবা থৌদাং অমদি লৈবাক অসিগী তুংলমচৎ শেন্নবা হোৎনবদা মতিক চাবা লুচিংবা পুথোক্লুবগীদমক নহাশিংদা পোলিটিকেল এৱার্নেস পীনবগীদমক এন এস য়ু আই না লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খন্ন–নৈনখি। মরু ওইনা মীফম অদুদা ন্যু এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি) ২০২০ হৌদোরকপদা লাক্কদবা অহোংবা মহৈ তম্বগী কাঙলোনশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া পুখত্তুনা খন্ন–নৈনখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংনসু অনৌবা মহৈ তম্বগী পোলিসি অসি কুপথনা য়েংদুনা মহৈরোইশিংদা পীগদবা কান্নবশিংগী মতাংদসু খন্ন–নৈনখি। মসিদা নত্তনা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাংলোইশিংনা বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম মপুং ফানা ফেল ওইরিবা অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা অসিগুম্বা ইনজষ্টিশ ওইবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা এন এস য়ু আই মণিপুরনা খোল্লাও লাউনবগীদমক ফিরেপ লৌদুনা অওনবা অমদি কাঙলোন চুম্বা এদুকেসন সিষ্টেম অমা পুরক্লুবা থৌদাং লৌনবগী মতাংদসু খন্ন–নৈনখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# 'মণিপুরদা আই এল পি মপুং ফানা চৎনহন্নবা লৈঙাক্না লৌখৎফম থোকপা থবক পায়খৎকদবনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
হৌজিক মণিপুরদা চৎনরিবা আই এল পি অসি কাঙলোন চুম্না চলাইদ্রে, হোত্রোং হোরে, কান্নফম খঙদ্রে। মণিপুর মীয়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ফংলকখিবা আই এল পি মপুং ফানা চৎনহন্নবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলু হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমীগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই শ্যাম খুমননা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন অসিগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, য়েলহৌমী কঞ্জনবা চহী ২০ / ৩০ চঙনা মণিপুর মীয়াম্না মীশি–মীনা, অশোক–অপন, মীহাৎ–মীপুন য়াওনা তান্দুনা লাকখিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (আই এল পি) নি। মীয়ামগী লেপ্পা লৈতবা খোঙজং অদুনা ২০১৯গী দিসেম্বর ১১দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা খুৎয়েক পীদুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা আই এল পি চৎনহনবা ৪শুবা ষ্টেট ওইখি।

অদুবু মণিপুরদা চৎনরিবা মওং অসিদি কাঙলোন কায়না চংলকপা মীতোপশিং থিংবগী মহুত্তা চংলকপা য়ানবা খুৎলায় অমগা পাঞ্জক ওইরে। আই এল পি অসি ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী নেটিভ পিপলশিং অসি হীরম খুদীংমক্তা কঞ্জনবনি। মসি কাউথোক্তুনা গভর্নমেন্টনা আই এল পিগী কান্নবশিং য়েলহৌমীশিংদা ফংহন্দনা ঙসি ফাওবা আই এল পি চৎনবা চহী ৫ ফারক্লুবা ফাওবদা নাথৈদুনা থল্লি। আই এল পি করিনো, মসিনা মীয়ামদা পীগদবা কান্নবনা করিনো হায়বদু খঙদবা ওইরগদি আই এলপি চৎনরিবা ষ্টেট অসিদা চৎলগা তম্মুরো নৎত্রগা অখঙ–অহৈশিংদা তান্নরুবনা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আই এলপি অসিবু মীতোপ চঙলকপদা পাস পীবা, পাসতু রিন্যুএল তৌবা খক্তরা? মণিপুর গভর্নমেন্টনা ঙসি ফাওবদা আই এল পিগী মতাংদা চত্থরক্লিবসি মসি নত্তবা করি অহেনবা তৌখ্রবগে। আই এল পি পাস পাইদবা মণিপুরদা মীওই লিশিং কয়া লৈরি। মণিপুর ষ্টেট দরবার ওর্দর নম্বর ২, ১৯৪৬কী ওগষ্টকী তাং ২৪দা ইরং পার্ট ১ অমদি ২ দা নেপালি য়ুন্নাম ৬০খক খুন্দানবা অয়াবা পীখি। অদুবু নেপালিগী মীশিং অসি হৌজিক লাখ ১গী ময়া য়ৌরে। চয়োল খূদিংগী নেপাল ফাওবা গাড়ী চেন্দুনা সর্ভিস তৌরি। মণিপুর গভর্নমেন্টনা নেপালিশিং অসিদা ঙসি ফাওবদা আই এল পি পাস কয়া য়ান্না ইসু তৌখ্রবগে হায়বসি হংনিঙাই ওইরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চেকশিনফম থোকপা অমদি লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকদবা অসিদদি লৈঙাক্না থবক চিনবগীরা নৎত্রগা উশিন্নদনা লৈরিব্রা হায়বা ৱাহং অমা লাক্লি। নৎত্রগা অচুম্বা তৌবা কিবগীরা? আই এল পি ফংনবা হোৎনবদা নোংমক্তা শরুক য়াখিদবা লাইরিক হৈবা ওফিসার খরনা মোনিটর তৌরগদি করন্না থম্মোয় শেংনা থবক তৌগনি। ঙসি ফাওবদা লমদম অসিগী য়েলহৌমী মশক তাক্তুনা আই এল পি পাইগদবা মীওইশিং অকক্লুবা মশিং পীবা ঙমদ্রি। মথোং হুক্তবা ইং ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২২গী অরানবা মণিপুর গেজেটতুনা আই এল পি লান্না লমজিংলি। মসিদা ইন্দিজিনস পিপলবু চহীনা লেপ্পা অদুগা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রেগ্যুলেসন এক্ট ১৮৭৩দা য়াওদবা ইন্দিজিনস হায়বসি পুশিন্দুনা মীয়ামু লান্না লমজিংলি। মণিপুর মীয়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ফংলকখিবা আই এল পি মপুং ফানা চৎনহন্নবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলু হায়নসু মখা তারক্লি।

# য়ূমশারোল ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই : নিলকান্ত

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
মীওইবনা য়ুম পানবা অসি তুরেল লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পী হায়নরিবসি ঐখোয়না লৈরিবা য়ুম অসিগী য়ুমশারোলদনি। মমাংঙৈদগী চৎনরক্লিবা য়ুমশারোল ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই হায়না য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও)গী প্রসিদেন্ট ঙাশেপম নিলকান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এফ ওগী ৯শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈনা তাবুংখোক অৱাং লৈকাইদা লৈবা ইপা লোয়ালকপা ইমা নুংথেললৈমা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঙাশেপম নিলকান্তনা মখা তানা হায়, মীওইবনা লৈরিবা ইংখোল অমদা য়ুম্ফম ৯ থোক্না লৈগনি। তোঙান তোঙানবা য়ুম্ফম অসিদা য়ুম শাদুনা লৈবা মতমদা পুন্সি মহিং অমত্তা মান্নরোই। ইংখোল অদুদা লৈরিবা য়ুম্ফমশিংগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা অফবা অমদি ফত্তবা ফল কয়া অমা লৈরি। অসুন্না য়ুম অমা শাব মতমদা য়ান্না কুপ্পাকাঙলোন অমদি পোরম কয়া চংই। য়ুম অসি শাবা লোয়বগা করম করম্বা মফমশিংদা চংথোক চংশিনগী থোঙ পানগনি, থোঙনাও পানগনি অমদি য়ুম লাইনা নিংথিনা মফম চানা থল্লিবরা হায়বগী অকুপ্পা কাঙলোন কয়া অমা লৈরি। মসিগুম্বা কাঙলোন অসি কায়না চৎপদগী অৱা অনা কয়াসু তানবা থেংনরে। মরম অসিনা য়ুমশারোল অসি তুরেল লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পী হায়নরিবনি।

মহাক্না হায়, য়ুম হায়বসি মীওইবগী হকচাংনি। য়ান্না নহা ওইবা লায়না লায়থুং পক্তবা, পুন্সিদা য়েৎনবা য়াওদনা চৎপা মীওই অদুগা চপ মান্না য়ুম অসি ওইহল্লবতদা য়ুম অদুদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক অমা অনেক য়াওদনা তংদু লৈতাবা ৱাখলদা হিংবা ঙমগনি হায়খি।

লোয়নবা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম খম থেংনা ৱানরে। অমদি প্রসিদেন্ট রুলসু লাক্লে। মসিনা ইরাং অসিগী ৱারোইশিনদি ঙসি ফাওবা পুরকপা ঙমদ্রি। মীয়ামগীনি হায়দুনা খনখ্রবা ষ্টেট অসিগী লুচিংবশিংনা থা অসিগী মনুংদা মীয়াম্না পান্নরিবা লৈঙাক অসি শেম্বীদুনা লমদম অসিদা ইং তপ্পা পুরক্লুবা হাৎনৌ হায়নসু মখা তাখি।

# ইং–তপ্পা হঞ্জিল্লক্লুবা থাদৌশিং ইম্ফালদা লাক্তুনা...

*লমায় ১গী মখা...* অরেপ্পা অমদি লৈত্রি। ষ্টেট অসিগী ইন্টিগ্রিটি অমদি হৌজিক হৌজিক লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নখি।

অমরোমদা, ফোক্সকী এক্টিং প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা সাহনা পাউমীশিংদা হায়, ঙসিগী মীফম অসি ইংনা–চিক্না ৱারী শান্নবনি। মসিনা ষ্টেট অসিদা তংদু–লৈতাবা ইং তপ্পা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপদা চাউনা মতেং পাংগনি। ঙসি শান্নখিবা ৱারীগী পরিং অদু মখা তাবা মীফম অমা অমুক পাঙথোক্লুবা তুংদা মেডিয়াদা হায়নবা শেম শাবা লৈ।

মীফম অদুগা মরী লৈননা থাদৌ ইনপি মণিপুরগী জোইন্ট জেনরেল সেক্রেটরী মাংগৌ থাদৌনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোক্লিবা রোদ টু পীছ: কোবেনান্ট ফোর কোএগজিষ্টিং ওন কম্যুনিটি অন্দরষ্টেন্দিং হায়বদি লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপশিং ৱাখল তামিন্নদুনা ইং–তপ্পা হঞ্জিল্লক্লুবগী মীফম অসিদা মেডিয়াশিংনা কুকি হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নবিগনু। মসি মতুং তারকপদা চয়েৎনবা কয়া অমা থোক্তনবনি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা থাদৌ ইনপিনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা হায়, থাদৌশিং অসি কুকিগা চৎন–লোনচৎ অমদি ফিজেৎ চাকচাদা কুকিশিংগা খরমখৈ মান্নবা লৈ হায়দুনা কুকি ওইনা উবিবা কয়ামরুম য়াওরি। অদুবু থাদৌ হায়বা অসিদি তোখায়বা য়েলহৌ ফুরুপ অমনি। মসিগীসু মথক্তা কুকি হায়বা ৱাহৈ অসিদি ফুরুপকী মিং অমসু নত্তে।

মৈহৌরোলদগী হৌনা মণিপুরদা কুকি হায়বা য়েলহৌ পুরুপ অমত্তা লৈতে। কুকি হায়বা ৱাহৈ অসিমক মীতোপকী মিংনি। মসিনা মশাবু কুকিনি হায়না লাউজরিবশিং অসি হৌখিবা চহীশিংদা মণিপুরদা চঙলকখিবা ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টশিংনা অয়াম্বনি। মতমগী মতুং ইন্না চর্চকী পোলিটিক্স অমদি লাইনিংগী খূত্থাংদগী থাদৌশিংবু কুকি ওইনা উহন্নবা কন্না হোৎনরক্লি। মসিনা থাদৌ খক্তদা নত্তনা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরক্লিবা মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল অমদি অতৈ ফুরুপশিংদসু শোকহল্লি। লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্লি।

ঐখোয়না মপাঙ্গোংগী শক্তম খক্তনা ফুরুপ অমগী মশক মওং লেপকদবা নত্তে। কুকি হায়বা অসিদি ফুরুপ অমগী মিং নত্তে, পোলিটিকেল আইদিওলোজিনি। মসিদা থাদৌ ফুরুপকী মীওই কয়ানসু মশানা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা কুকিগী ৱাখল্লোন অদুবু য়োকখৎপা য়ারোই। মসিনা মশাগী ফুরুপতা চাউনা কায়হল্লি। হৌজিক মণিপুরগীদি য়ান্না অরুবা তাঙ্কক অমনি। মসিদা ঐখোয় পূন্নমক্না অচুম্বগীদমক পুন্না লেপমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# পি এম কে এস ৱাইগী মান্নবা চাকথুং ফংহল্লু হায়দুনা এগ্রিকলচর দিরেক্তরদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চয় যোজনা (পি এম কে এস ৱাই)– পর দ্রোপ মোর ক্রোপ (পি দি এম সি) স্কিমগী মান্নবা চাকথুং ফংফম থোকপশিংদা ফংহল্লু হায়দুনা ফেদরেসন ওফ ওল ট্রাইবেল য়ুথ ক্লবস, মণিপুর (এফ এ টি ৱাই সি এম)না মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিরেক্তরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে।

ফেদরেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শেনবা চহী ২০২৪–২৫গী ওইনা পি এম কে এস ৱাই–পি দি এম সি স্কিমগী মখাদা মণিপুরগী ওইনা বেনিফিসরি এলোকেসন তৌরিবা অসি চীং–তম অনীদা চাং মান্নদবা লৈরে। শেনবা চহী অসিগী ওইনা থোক্লিবা বেনিফিসরি লিষ্ট অসি য়েংবদা লমদম অসিগী চীং অমদি তমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা স্কিম অসিগীদমক বেনিফিসরি এলোকেসন তৌরিবা অসি চাউনা খেন্নবা লৈবা থেংনরে। তশেংনা য়েংলুরবদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংনা জিওগ্রাফিকেল এরিয়াদা য়ান্না পাক চাউবা হেল্লি। মসিদা নত্তনা এগ্রিকলচরেলগী পোটেন্সিয়েলসু য়ান্না হেন্না লৈবা মফমশিং ওইরিবনি। অদুবু স্কিম অসিগীদমক বেনিফিসরি এলোকেসন তৌরকপা মতমদা অদুক্কী মতিক চাং নেন্না লৈরম্বা অসিমক লাইবক থিবনি। স্কিম অসিগী ওইনা বেনিফিসরি লাউথোকপদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা তমেংলোংগী ওইনা বেনিফিসরি ৩, নোনেগী ওইনা বেনিফিসরি ২, সেনাপতিগী ওইনা বেনিফিসরি ১০, চুরাচান্দপুরগী ওইনা বেনিফিসরি ২, উখ্রুল অমদি কামজোংগী ওইনা বেনিফিসরি ৩৫ অদুগা চান্দেলগীনা বেনিফিসরি ৬১ ওইরি। অদুবু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টতদি ইম্ফাল ইষ্টতা বেনিফিসরি ৫০০, ইম্ফাল ৱেষ্টতনা বেনিফিসরি ২৭৬, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতনা বেনিফিসরি ১১৫, বিষ্ণুপুরদনা বেনিফিসরি ১৪৫ অদুগা ককচিংদনা বেনিফিসরি ৯১স্কিম অসিগী বেনিফিসরি এলোকেসনদা য়াওবা থেংনরি।

মথৌ তাবা মীওইশিংদা পি এম কে এস ৱাই–পি দি এম সি স্কিমগী খূদোংচাবশিং ফংহন্নবা এলোকেসন পাঙথোকপদা মান্নবা চাকথুং ফংহন্দবগী মমি তাবা অসিমক অনফিয়র অমদি অনজষ্ট ওইবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। লমদম অসিগী চীংশাং পরেংদা লৌউ শিংউগী থবক থৌরম পাঙথোক্লিবা লৌমীশিংদনা হেন্না মথৌ তাবা সপোর্ট পীদুনা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমশিং হেন্না মাঙলোমদা চংশিন্নবা ইরম খোংলম নীংথিনা শেমজিনবা হায়বসি য়ান্না মথৌ তাবা অমা ওইরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা স্কিম অসিগী চাকথুং মান্ননা য়েন্থোক্তবা হায়বসিনা লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং চাউখৎহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবা নমথনবা হোৎনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা স্কিম অসিগী চাকথুং য়েন্থোক্লিবা অসি অমুক হন্না মীৎয়েং চংদুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংদা ফংফম থাকপা খুদোংচাবশিং চাং মান্ননা ফংহন্দুনা লৌই শিংউগী হীরমদা হেন্না চউখৎপা পুরক্তুনা চীং তম থোং মান্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# ৮০শুবা হিরোসিমা নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
মীওইবনা পুথোরক্লিবা খূৎলায় কয়া অসিনা মীওইবা ঐখোয় অসি মালেম অসিদগী মুৎখিগদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্লে হায়না লম্লাই এসেমব্লিগী কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দো জপান ফ্রেন্দসিপ এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবকী লোক্তাক হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ কে ঐচ ইবোমচানা মখা তানা হায়, লান হায়বসিনা ঐখোয় মীওইবদা কয়াগী মতিক মাঙহনবা হায়বসি জপানদা থোকখিবা হিরোসিমাগী থৌদাক অসিদগী ঐখোয় ময়াম্না খঙই। হিরোসিমাগী থৌদোক্তা কয়াম য়ান্না মাঙহন তাকহনখিবা অমদি মদুদা ফংখিবা চৈথেং অদু ঙসিগী থৌরম অসিনা মীয়ামদা উৎলি।

লান তৌনবদা তোংজবা করিসু লৈতে। অমরোমদা চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় কয়া পুথোরক্লি। পুথোরক্লিবা খূৎলায়শিং অসিনা ঐখোয় অসি মালেম অসিদগী তুমখিগদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈরে হায়রদনা মণিপুরদা চত্থরিবা ইরাং অসিনা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লরি।

মসি মহৌশাগী পুন্সিদা, নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা হায়বসিদা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মসিদা অতোপ্পা জগাদা থোকপনি ঐখোয় শোক্তে হায়দুনা লৈথোক্লবদি মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনবদা অৱাবা ওইগনি। সেন্টর লৈঙাক্না মণিপুর অসি তংদু লৈতাবা হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না কোওপরেসন পীবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বা ৱাফম থমখি।

# নম্ফুদা চীফ মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন...

*লমায় ১গী মখা...* মহাক্না হায়, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ অনী উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অসি অফবা খোঙথাংনি। ঙসি উন্নরিবা অসিমক ফুরুপ অনী অসিগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন য়ারে হায়বা উৎনবা ওইগনি। মসিদা মহাক্না অহেনবা ৱাফম থমনিংদে।

আই দি পিশিংনা শাবা পোখোক, চীংগী লমদগী য়াওনা পূন্না ষ্টোল ৬৩ না শরুক য়ারগা ঙসিদগী হৌনা নুমিৎ মঙানি চুপ্না চত্থগদবা ইপুথৌ মার্জিং এক্সপো–২০২৫ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এন বিরেননা হায়, মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক্না লৈরম্বা চহী ৭ অদুদা পুরকখিবা অহোংবশিং মীয়াম্না খঙবিয়ু। হায়রিবা চহী ৭ কী মতম অদুদা মণিপুরদা হীরম খুদিংমক্তা মাঙলোমদা চেনবা লমদম অমা ওইখিবনি। এম এস এম ইগী খূত্থাংদা নোর্থ ইষ্টতা ওন্ট্রপ্রেন্যুর মশীং খ্বাইদগী য়ান্না পুথোকপা ষ্টেট মণিপুরনা ওইখি।

গো টু হিলস, গো টু ভিল্লেজ হৌদোক্লগা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মাগী মাগী শুমাঙদা থোঙ্গালদা গভর্নান্স পীরম্বা লৈঙাকনি। অদুবু ৱাখল তান্নদবদগী থোকখিবা মে ৩ গী লাইবক থীবা থৌদোক অদুনা ঙসিদি মীয়াম পূম্বা অৱাবা তামিন্নবনি। ৱাথোক অসি চহী চা কয়া নমশিন্দুনা লৈরুরবা ইশু ওইবনা লোইশিনবা অমসুং চুমথোকপদা মতম চঙবা য়াই। অদুবু মতম চঙলবসু চঙনা মহাক্না হিংলিঙৈ মনুংদা মণিপুরবু হান্নগী মণিপুরদা শোয়দনা হঞ্জিলহনগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইশু অসি মণিপুর খক্তগী নত্তে। ইশু অদু হান্না থেংনরুবা অমসুং শেমদোক্লবা হান্না হোৎনরুবনা ঙসিগী অৱাবা অসি মায়োক্লবনি। লমদম অসিদা হৌজিক লৈরিবা ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টগী ইশু মণিপুর খক্কী নত্তে। অসাম, নাগালেন্দ, মেঘালয়া, মিজোরমনচিংবা ষ্টেটশিং অসিদসু ইশু অসিমক থেংনরি। অদুবু ষ্টেটশিং অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্না ইশু অসিদা এক্সন লৌখৎপদা কনানসু ফত্তবা ওইনা উদে। অসামদা লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিং, ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না রেল্লি চৎতুনা ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টশিং তান্থোকউ, রিজার্ভ ফোরেষ্ট কল্লু হায়দুনা খোল্লাও লাউরি। অদুবু মণিপুরদা থবক অসি পায়খৎলুবগীদমক মীয়াম্না মহাকপুদি অঙাওবা ওইনা উবিরে।

মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক লাক্ত্রিঙৈ লৈরম্বা ফীভমগা বি জে পিগী চহী ৭ কী লৈঙাক লৈরিঙৈ ফীভমগা ঈশিংগা থাউগা খেন্নবগুম্না খেন্নবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি খঙনা ঙসিগী মীয়াম্না ৱা ঙাংসি। মণিপুর অসি নিংথৌ পাল্লগা লৈরম্বা লৈবাক অমনি হায়বা ঙসিগী মীরোলনা কাউনরক্লে। ঐখোয়গী মীরোলনা কাউনরুরবা পুৱারীগা শাগোন্নবা কয়া ঙসিদি তপ্পা তপ্পা নীংশিংবা হৌরক্লুবনি। অদুঙৈ বৃটিশনা লোই থাখিবা নিংথৌ কুলচন্দ্র অমসুং অথৌবা ২৩ বন্দি ওইনা থল্লম্বা মাউন্ট হেরিয়ট ঙসিদি মাউন্ট মণিপুর হায়না খঙনরবনি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্সতা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নেভিগী জহাজতা আই এন এস ইম্ফাল হায়বা মিং থোল্লিবনি। মসিদসু নত্তনা চহী লীশাং শিংনা তান্দুনা লাকপা আই এল পি পীরকখিবা পূন্নমক অসি বি জে পিগী লৈঙাক্না মণিপুরবু শক খঙবিদুনা তৌবিরকখিবনি। মসি খঙনা ঙসিগী মীয়াম্না ৱা ঙাংবিয়ু। হৌজিক লমদম অসিগী মীয়াম মরু ওইনা আই দি পিশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি মণিপুরগী তুংগী মীরোলগীদমক্তনি। মতম শাংনা পোমদুনা লৈরক্লবা কেন্সর ওল্লক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবা অনাবা অমা নাই হন্দোক্লুবগী অনাবা অদু ঙসিগী মীয়াম্না থেংনবনি। মতম খরগী মতুংদা কেন্সর ওইরমগদবদগী কলহৌরে হায়বা খঙনরক্লগনি। মসিগীদমক ঙসিগী মীয়াম্না কখোক্তুনা লাক্লিবা পূন্নমক মতম খরা থেংনমিন্নসি।

চীফ মিনিষ্টর ওইবা নৎত্রগা ওইদবা থোইদোক্তে। অদুবু মহাক্না হিংলিঙৈ মণিপুরবু হান্নগী ইং–তপ্পা, চাউখৎ লমজেলদা মাঙ থাবা, অমতা ওইনা হিংমিন্নবা মণিপুর অদু শোয়দনা ওইহল্লমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইপুথৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপ হৈঙাংগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম জুগীন অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ইগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর গ্রেদ ১ মনোজ শর্ম্মনা থৌরমগী মরু ওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# থাঙ্গাল, পাওনা কৈথেলগী মেন রোদতা নত্তনা...

*লমায় ১গী মখা...* য়াওনা বজারগী কম্মিটিগা লোয়ননা অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ঙসি সর্ভে তৌরিবা অসিসু পব্লিক নোটিশ থোক্লবা মতুংদা তৌবনি। ঙসি চত্থরিবা সর্ভে অসিদা রেকোর্দকী মতুং ইন্না লৈগদবা ফিট ১১. রোম হেন্না পাক্কদবা লম্বী অদু বিল্ডিং ষ্ট্রকচরনা হেনজিন্না শাজিল্লকপদগী লম্বী চৎফম ফাওবা লৈত্রে। মেপকী মতুং ইন্নদি ফাওনবা য়ারবসু লম খোপচিন্দুনা শাজিনবনা চঙফম ফাওবা লৈত্রে।

অসিগুম্বা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম পায়খৎলকপা অসিদা কোর্টতা কেস চত্থগনি হায়বগী ৱাফম কয়া লাক্লে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌফম থোকপা থবকশিং অদুমক মখা তানা চত্থগনি। পাওনা অমদি থাঙ্গাল কৈথেল অনীসিদা টিম মরি শেমদুনা সর্ভে তৌবনি। সর্ভে অসি লোইরবা মতুংদা মিংগা লোয়ননা নোটিশ থোক্লক্কনি। করিগুম্বা মসিদা নুং ঙাইতবা ওবজেক্সনগুম্বা লৈরবদি মদুগী মতম পীগনি। লম খোপচিনবা হায়বসি ফুটপাথতা হেনজিন্না শাজিনবা অদু খক নত্তে। মথক্তা খোপচিনবসু লম খোপচিনবনি।

মেপকী মতুং ইন্না লম্বী ওইনা লৈরম্বা অদু ঙসিদি লৈরমদ্রে। মসি কৈথেল অনীসি খক্তা নত্তনা তুরেল খোংবাল অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিং পাক শন্না লায়না অমগুম চত্থরক্লে। মসিগী মতুং তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ইভিক্সন চত্থবগী থবক অসি লেপ্তনা চত্থখিগনি, হৌজিকসু লেপ্তুনা চত্থরি।

মীয়াম্না ইশাগী ইথৌদাংনি হায়না খনবিয়ু। লোনা অয়াবা পীরিবা লম অদুদা ইশা ইশাগী মথৌদাং পাঙথোকপদা অথিংবা লৈতে। বাবুপরা মনুংদসু লম খোপচিনবগী থবক অসি কয়া তৌনরে। লম খোপচিনবা অসি লায়না অমগুম শন্দোরক্লিবসি ইশা ইশানা খঙনা থাদোকপা চুমগনি হায়খি।

# লৌমীশিংদা য়ুরিয়া য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন(ইদুকো)না দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্ট য়ুনিয়ন ১/২ গা খূৎশন্নরগা আই দব্লিউ দি য়ু কোগী য়ুনিট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (রুকো) এরিয়া ফুগ্নৌ সিফাইদা য়ুরিয়া বেগ ৩০০ লৌমীশিংদা লৈঙাক্না লেপ্পা মমলদা য়েন্থোকখ্রে।

মখা তানা ইদুকোগী য়ুনিট ওর্গনইজেসন অমা ওইরিবা শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (স্লুকো) গী এরিয়া লংথবালকুঞ্জা মখা লৈকাইগী মোইরং সুবেদার কম্যুনিটি হোলদা লৌমশিংদা য়ুরিয়া বেগ ৯০ অদুগা য়ুনিট ওর্গনাইজেসন ওল ময়াই লম্বী ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমালকো) অমদি অমালকোগী মেম্বর ওর্গনাইজেসন ই ৱাই দো, লোইননা শামুরৌ কৈথেল লৈকাই মৈরা লূপনা শীন্দুনা শামুরৌ কৈথেলদা য়ুরিয়া বেগ ২১০ য়েন্থোকখ্রে।

য়ুরিয়া য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা অমুকোগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্র, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ৱাই ইনাওচা, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি এম কান্তা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট কে মোমোচা, সেক্রেটরী লাইশ্রম খুমন নিংথৌ, ফাইনান্স সেক্রেটরী ওইনাম প্রবিন, ৱাই বিক্রম এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন, এন খোগেন জোইন্ট সেক্রেটরী অমদি এস ঐচ থোয়বা শর্ম্মা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটিসু শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা, লৌমীশিংদা মথৌ তাবা হার য়েন্থোকপগী মনুং চন্না মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিএল ত্রষ্ট পৌরাবীনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা খূৎশন্নদুনা লৌমীশিংদা ঙসি হার য়েন্থোকখ্রে।

য়েন্থোকখিবা হারশিং অসি লৈঙাক্না লেপ্পা মমলদা গাড়ীগী অচিংমলগী পৈশাদমক হাপ্লগা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হারশিং অসি পীখিবনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রষ্ট অসিগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমেজোয় মীতৈনা হায়, খুঞ্জা অয়াম্বনা লৌ শেন্নবা হোৎনবদা অয়ুক– নুংথিল অনী পাদুনা খুলং শেমদুনা মশা– মশাগী লৌ শেন্নরি। মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা মতম চানা অমদি মরাং কাইনা হার য়েল্লগসু লৌ শাল্লগা উবা লৌমীশিংনা অয়াম্বা ওইবনা হার লৌবা মতমদা লৌফমগী পাট্টা পুথোক্কদবনি হায়বদু পুথোকপা ঙমদবদগী অৱাবা মায়োক্লরি।

মশাগী লৌ লৈজদবদগী লৌপুদগী লৌ শাল্লগা উজরিবা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি উবীদুনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসারদা হার পীবীনবা ত্রষ্ট অসিগী মায়কৈদগী হায়জরুবদা লোইশঙ অসিগী মীৎয়েং মখাদা হার পীবীরক্তুনা ঙসি লৌমীশিংদা হার ফংহনবা ঙমখিবনি। মসিগীদমক্তা তেংবাঙ পীবীরকপা পূন্নমকপু ত্রষ্ট অসিগী মায়কৈদগী ইকাই খুন্নবা উৎচরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

# ফক্নুংদা ফোগ্গিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬(এস এন এস)ঃ
ফক্নুং সোসিয়েল য়ুঠস ক্লব (পি এস ৱাই সি), পি ঐচ এ এল ৱাই দিএনা ইম্ফাল ইষ্টকী বেক্টরবোন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রামগা পুন্না খূৎশন্নদুনা জপানিজ এন্সেফেলাইটিসতগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা ফক্নুং অৱাং লৈকাইদা ফোগ্গিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

পি এস ৱাই সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৪দা ফক্নুং অৱাং লৈকাইদা লৈবা চহী নৌরিবা নুপামচা অমা জপানিজ এন্সেফেলাইটিসনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। থৌদোক অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী ভেক্তরবোন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রামগা খূৎশন্নরগা পি ঐচ এ এল ৱাই দি এ অমদি ক্লব অসিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ফোগ্গিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# ওফিস য়েংশিনবিনবা লৈতবনা...

*লমায় ১গী মখা...* য়েংশিনবিনবা লৈত্রবা এম টি দি সি অসি কনাগুম্বা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল খরনদি ওফিসকী মমিং শীজিন্নদুনা ব্যুজিনেসকী মফম অমা ওন্থোক্লে। ওফিস অসি মীওই খরগী অরোনবা শেন্দালফম ওন্থোকপগী মমিসু চাউনা তারি।

পান্দম অমগা লোয়ননা লৈঙাক্না লীংখৎখিবা এম টি দি সি অসি মশাগী ৱার্ক প্রোগ্রাম লৈজদে। মসিদি গ্রান্ট–ইন–এইদ বোদি অমা ওইবনিনা মতম মতমগী লাকপা ষ্টেট অমদি সেন্টরগী দিপোজিৎ ৱার্কশিং শুরগা ষ্টাফশিংগী থাগী তলব পীরগা হিংজবা ওফিসনি। মসি পূন্নমক খঙনা খঙনা হৌজিক হৌজিক এম টি দি সিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ারগী থৌ পুরিবসিনা দিপোজিৎ ৱার্ককী লুপা ক্রোর ২০ মুক্কী শেনফম অমা লান্না শীজিন্নথোকখিবদগী এম টি দি সিগী ষ্টাফশিং থাগী তলব ফংদবা চহী ২ হেল্লকপনি হায়রি।

অমরোমদা, হায়রিবা চীফ ইঞ্জিনিয়ার অসি মমাঙথক্তসু ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবগী ভিজিলেন্স কেস মায়োক্লরিবা মীওইনি। এম টি দি সিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং অসিদা চেয়ারমেন, এম দি অমদি জি এমসু করিসু তৌদনা মমিংতগী ওইনা লৈরে হায়রি।

হেন্না ঙক্লিবদি ওফিস অসি নীংথিনা চল্লাইদুনা অৱা–অনা মায়োক্লরিবা এম টি দি সিগী ষ্টেটশিংগী পীফম থোকপা থাগী তলব পীথোক্লবগী হোৎনবগী মহুৎতা শাশিন্নবা চে–চাংশিং শীজিন্নদুনা ওল ইন্দিয়া টেন্দর য়াওনবা হোৎনদুনা লৈর। থবকশিং অসি লৌবা য়ানবা অন–ওঠোরাইজ ওইবা ব্রাঞ্চ ওফিস, রিজনেল ওফিস, জোনেল ওফিস অমদি বেঙ্ক একুন্ট কয়া হাংদুনা পেরেল্লেল ওইবা ওফিস কয়া হাংদুনা লৈরিবসিনি। মসি পূন্নমক খঙনা খঙনা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওঠোরিটিনসু কসিরসু তৌদনা লৈথোক্লিবসিনি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং অসি কুপ্না য়েংশিন্দুনা প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাক্না নোংমা নোংমগী কিস্থরক্লিবা ওফিসিয়েল খরনা তৌনিং তৌনিংবা তৌদুনা লৈরিবা মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ অসি হান্নগুম্না মথৌ তৌদুনা হিঙ্গৎহনবিয়ু। লোয়ননা পীথোক্তনা লৈরিবা ষ্টাফশিংগী চহী ২ হেল্লবা থাগী তলবসু পীথোকপীয়ু হায়নসু মখা তারক্লি।

# ক্লাস টুয়েল্বসু গ্রেদিং সিষ্টেম ওন্থোক্লবা...

*লমায় ১গী মখা...* টুয়েল্ব অসিসু গ্রেদিং সিষ্টেমদা মার্ক পীব হৌখিবা লৈরে। গ্রেদিং সিষ্টেমদা মার্ক পীবগী কাঙলোন অসি এসোলুট গ্রেদিং নৎত্রগা রিলেটিভ গ্রেদিং হায়বা অসিদা মার্ক পীবগী চৎনবী অসি লৈরি। মণিপুরগী ওইনসু ক্লাস টুয়েল্বতা গ্রেদিং সিষ্টেম চৎনবা হৌনবা থৌরাং কয়া মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী পায়খৎপা লৈরে। লাক্কদৌরিবা কুমজ ২০২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামিনেসন অসিনা মার্ক ওইনা পীবগী অরোইবা এগজাম ওইগদবা মাল্লি। মসিগী মতুংদদি পাঙথোক্কদেরিবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামিনেসনশিংদা গ্রেদিং সিষ্টেমগী চৎনবী অসি শোয়দনা লৈরক্লগনি থাজে। গ্রেদিং সিষ্টেমদা ওল্লকপা অসিনা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু রেঙ্ক য়াওদ্রবদি য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অমা লৈরম্বা অদু মতমগী মতুং ইন্না মাঙখিবসু য়াই হায়না থাজে।

এন ই পি ২০২০গী মতুং ইন্না মহৈরোইশিংনা লাইরিক খক্তা নত্তনা মশাগী চান্নবা স্কিল অমমম হৈজিলহন্নবগী ৱাফমসু পোলিসি অসিদা মরু ওইনা য়াওরি। ষ্টেট অসিদা এন ই পি মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা মথৌ তাবা মেনপৱারগী অৱাৎপা কয়া লৈরি। অদুবু পোলিসি অসি মপুং ফানা চৎনহন্দুনা মহৈ তম্বগী কাঙলোনদা অহোংবা পুরক্লুবা হোৎনবদা লৈঙাক য়াওনা মরী লৈনবশিংনা অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ আর্টসকী হান্নগী প্রিন্সিপাল মোইরাংথেম ইবোহলনা থৌরম মপু অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙ্গোইগী জোনেল এদুকেসন ওফিসর অরাম্বম অনিল কুমারনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ত্রিনিটি পব্লিক স্কুলগী ওইনা চহীসিগী পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সি এগজামিনেসনদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা লান্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা মহৈশঙ অসিগী খনগৎলবা ওজাশিংদা মনা লান্থোক্তুনা ইকায় খুন্নবসু উৎখি।

# উ য়ান্থৎতুনা খায়দৎলম্বা মীওই...

*লমায় ১গী মখা...* ডা লৈশাংথেম জেসিলিগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং রেঞ্জগী রেঞ্জ ওফিসার হুইদ্রোম সুন্দরনা লুচিংবা ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা উ পান্বী কয়া য়ান্থৎলম্বা অমদি খায়দৎলম্বা থেংনবদগী ফাগৎতুনা পুরকপনি হায়রি।

ফোরেষ্ট ষ্টাফশিং অদুনা মফম অদুদা লৈরম্বা উ য়ান্দুনা খায়বদা চেন্নবা মীওই ৮ অমদি উ অকায়বশিং হাপ্তুনা পুথোক্লুবা থৌরম্বা শক্তিমান গাড়ী লোয়ননা উ খায়বদা শীজিন্নরম্বা মোদিফাইদ তৌরবা ট্রেক্তর অমসু ফাগৎলকখ্রে। উ পান্বীশিং য়ান্থৎলম্বা অমদি খায়দৎতুনা হোন্দোক্লবগী মরলদা ফারবা মীওই ৮ অদুগী মথক্তা ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্টকী মতুং ইন্না লোগী ওইবা থবকশিং চপ চানা লৌখৎলগনি হায়রি।